লীলারোইশিংনা সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগীদমক খনবিদুনা আর্টিষ্টশিংদা তেংবাঙ কয়া পীরগনি হায়না লাওথোরকপবু তরাম্না ওকচবা ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল অমদি থিয়টর মিরর অনীনা কোনুং মমাংদা লৈবা আর্টস এন্দ কলচর কমপ্লেক্স লু-নান্না শেংদোকখ্রে। সোসল সর্ভিস অসিদা লীলারোই ১০০ অমদি ওজা ২০ রোমনা শরুক য়াখি। অয়ুক পুং ৭তগী হৌরগা লঞ্চ ব্রেক থমদুনা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা সোসল ৱর্ক প্রোগ্রাম অদু চৎথখি হায়রি। সোসল সর্ভিসকা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা আর্ট এন্দ কলচরকী দিপার্টমেন্ট অসিবু পায়রকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখি।

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 21/08/2020
VALID FROM : 14/08/2020
19KG AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL 6909634960 &
8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964838 &
7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
CONTACT TIMING : 09.00 TO 11.00 AM

M/S K&K INDANE SERVICE
BOOKING UPTO SL.NO.50 A&B
OF 24/08/2020
VALID FROM : 14/08/2020
GAS BOOKING COUNTER
OPEN AT TERA BAZAR OFFICE.
TIME : 7.30AM TO 11.00AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-08/09/2020
Valid from : 17/08/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact
-7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 12/08/2020
Valid from : 25/07/2020
Stock : 312
All Customers are Home Delivery
(Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon
(Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and
7629947187 for Refill Order and Enquiry

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
Booking upto 18/09/2020
Valid from : 23/08/2020.
Please Contact: 7085412119/
7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Booking upto : 17/08/2020
Valid from : 11/08/2020
Stock:
Timing: 08:00am to 11:00am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040,
9378112903

RBD INDANE SERVICE
Booking upto : 12/08/2020
Valid from : 28/07/2020
Stock : 512
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(
Numit khudinggi phone touba
yagani Suti nattana /Every Day
Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and
7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 25/07/2020
BOOKING UPTO: 27/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 04/08/2020
VALID FROM: 03/08/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C).
2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746
(KUMBI A/C).BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248
TIMING : 8.00AM TO 12.00NOON.

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 16/07/2020
Sl. No. - 760
Only home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 03/08/2020
Valid from : 24/07/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING UPTO : 18/07/2020
VALID FROM : 11/07/2020
FOR ALL THANGMEIBAND,
LAMPHEL 8131852580,
9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI,
SANGAIPROU, CHANGANGEI,
MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA,
HEIRANGOITHONG, HAOBAM
MARAK, PISHUM, MONGSANGEI,
LANGTHABAL 6009689299
SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM,
SAGOLTONGBA, LANGJING,
SALAM 7627968997
LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG,
AKHAM, MAYANG LANGJING
7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA
7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA
9612009063, 9862792731,
7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 12/08/2020
Valid from : 12/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041,
8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL
TAKE 4 DAYS

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 22/07/2020
Sl.No. - 100
Valid from : 18/07/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494.
Whatsapp No. 9366502930. Office
No. 6381538861.

কোভিদ-১৯গী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌরক্তুগদি তুমিন্না খক লৈথোক্লোই : পি টি এফ সী-১৯

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী য়াম্না লুশিল্লক্লবা তমথিরবা তাঞ্চক য়ৌশিল্লক্লবা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা লৌখৎতবদগী কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী তমথিরবা মশক অদু লাক্তুনা মীওই লাখ কয়া নারকপা অমদি অশিবগী মশীং খম থেংনা ৱাংখৎলকপগী ফীভম শোয়দনা য়ৌরক্লগনি হায়না পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইনচার্জ এম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি নোংমদা মীওই ২০০দগী ৩০০ ফাওবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মথৌ তাবা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী অৱাৎপা অমদি জেনিমস অমদি রিমস হোস্পিটালদা কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্টশিংগী বেদ লৈতবগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরে। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ফীভম খরা লুশিল্লকপা পেসেন্টশিং অমদি আই সী যু মথৌ তাবা পেসেন্ট ময়াম অমগী বেদ লৈতবদগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরক্তুনা মীশি মীনা য়াওনরক্লবা ফাওবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি খ্বাইদগী লানবা থৌওং অমনি। প্রাইভেট হোস্পিটালদগী আই সী যু মথৌ তাবা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা রিফর তৌবিয়ু হায়রবসু রিমস অমদি জেনিমসকী আই সী যুগী বেদ হাংদ্রি হায়দুনা মতম শাংনা প্রাইভেটকী হোস্পিটালদা লায়েংলক্তুনা লৈখিদবা মীওইশিং ফাওবা য়াওশিল্লক্লি। মসিদা নত্তনা ইচম চম্না রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিটালদা এদমিসন তৌজগে হায়বা ফাওবদা বেদ হাংদরি হায়দুনা থম্বসি লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্টশিংদমক অথুবগী তঙাই ফদনা লৌখৎকদবা থবকশিং লৌখৎত্রে অমদি থৌওইদ্রে তাকপনি। লাইবক ফবা মখে হীংজরো, লাইবক লৈতবনা শিজখ্রো হায়বা ফীভমদা তুমিন্না লৈঙাক অসিনা লৈশিনবা তারবদি লায়না লাইচৎ অসিগী খ্বাইদগী কনবা চৈথেং অদু ফংবা য়াই। হৌজিক-হৌজিক হোস্পিটালগী বেদ কেন্নদবগী অমদি আই সী যুগী বেদ মতিক চানা লৈতবদগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরিবসি খুদক্তা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা চঙই। হেল্থ দিরেক্টোরেটকী মখাদা শেল্লিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপা পেসেন্টশিংগী বেদ এরেঞ্জমেন্টগীদমক্তা লৈরিবা এদমিসন কম্মিটিনা অনাবগী বেদ পীবিয়ু হায়বা মতমদা হোস্পিটালদা বেদ হাংদ্রি হায়দুনা রেস্পোন্সিব্লিটি য়াওদবা ৱাঙাংশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা থম্বা থৌদাং অসি খ্বাইদগী শাথিনা তৌহৈদবা লৈঙাক অসিগী মখাদা তৌফম থোকপা থবকশিং কোভিদ থেংননবগী পায়খৎতবা পোলিসি য়াওদবা, ইহো হোবা ফীভম অমদা লৈরে তাকপনি হায়খি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, খুন অমদা মী অমা নৎত্রগা হেন্না পোজিটিভ ওইরবদি লৈঙাক্কী এস ও পিগী মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট জোন লাওথোক্তুনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবগী ৱাফম কয়া লৈরে। মতাং অসিদা হংনিংলিবদি মী অমা পোজিটিভ ওইরবদি এস ও পিগী মতুংইন্না পোজিটিভ ওইরিবা মীদুগা নক্করম্বা মীশিং খঙদোক্তুনা টেষ্ট তৌথোক্লবগী কন্টেক ট্রেসিং তৌগদবা পুম্নমক মতম চানা কন্টেনমেন্ট জোন লাওথোক্তবনিনা কয়াম ফজনা তৌরিগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরি। প্রাইভেট হোস্পিটালদা কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগী কেস য়াওরক্লবা ফাওবদা মরী লৈনবা সী এম ও অমদি কন্সর্ন দি সীশিংনা তুমিন্না লৈশিনবগী থৌওং য়াওশিল্লকপশিং অসি পি টি এফ সী-১৯না লায়না লৌদবগা লোয়ননা করিগুম্বা মখা তানা মরী লৈনবা সী এম ও অমদি দি সীশিংনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌখৎলক্তবা তারবদি পি টি এফ সী-১৯না অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্ট ১০,০০০গী মথক লানখিদুনা এক্টিভ পোজিটিভ কেস ২৫০০গী মথক্তা লৈরবা ফীভম অসিদা হৌজিক ওইরিবা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি অমদি হোস্পিটালাইজেসনগী থাক অসি অদুক্কী মতিক ফীভম অসিগা চান্নদরে। মীওই ২৫০০গী মথক্তা এক্টিভ কেস লৈরগা রিমস অমদি জেনিমসতা শুপ্পগী কোভিদকীদমক্তা বেদ ১৯৪ খক্তং থম্বা হায়বসিনা য়ারোই। মশাগী ফীভম লুশিল্লক্লবা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক শুপ্পতগী হোস্পিটাল অনীসিদা আই সী যুগী বেদ ৩২দগী হেন্না লৈতবা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা ময়াম অমা ময়োক্লরি। কো-মোরবিদ কন্দিসনদা লৈবা অনাবা ময়াম অমা কোভিদ ইনফেক্সন থোকপদগী তঙাইফদনা আই সী যু মথৌ তাবা পেসেন্ট ময়াম অমা য়াওরক্লগসু মখা তাবা ট্রিটমেন্ট চৎথবা ঙমদনা শিবা পেসেন্ট ময়াম অমা য়াওশিল্লকই। অসিগুম্বা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং অসি থেংননবগীদমক লৈঙাক্লসু চপ চানা থবক লৌখৎপা অমা চঙই হায়খি।

পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯, ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়সন (আই এম এ) অমদি এসোসিয়সন ফোর হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর্স ওফ ইন্দিয়া (এ ঐচ পি আই)গা পুন্না খুন লৈকায়শিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী মতাংদা খঙহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা এৱ্যারনেসকী থৌরমগী মখা চৎথরকপা ওইনা ঙসিসু পুখাও অহল্লুপ কম্যুনিটি হোলদা গোল্ডন ষ্টার ক্লব পুখাও অহল্লুপকা পুন্না এৱ্যারনেস পাঙথোকখি। এৱ্যারনেস অদুদা লাইশ্রম ইবোচৌবি এদভাইজর গোল্ডন ষ্টার ক্লব পুখাও অহল্লুপ, দা. আর কে নিমাই চ্যেরমেন আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, নরেন্দ্র নিঙোম্বা চ্যেরমেন আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট, এন বিমোল কো কনভিনর পি টি এফ সী-১৯না রিসোর্ছ পর্সন অমদি প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

পুখাও তেরাপুর কৈথেলদসু নোর্থন দিভলপমেন্ট য়ুথ ক্লব, পুখাও তেরাপুরগা পুন্না দা. আর কে নিমাই, এন বিমোল অমদি দা. জেমস এলাংবমনা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা প্রেমজিৎ নাওরোইবম অমদি টি প্রেমজিৎনা দিমোনষ্ট্রেটর ওইনা মাক্স উপ্পা, হেন্দ সেনিটাইজগী মতাংদা দিমোনষ্ট্রেসন তৌখি। লোয়ননা পি টি এফ সী-১৯গী ভলন্টিয়রশিংনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চৎতুনা এৱ্যারনেস পীবগী মনুং চন্না ঙসিসু উরিপোক চৈরাপা কোর্ট মমাংদা মনা-মশিং য়োল্লিবা অমদি লৈবা লাকপা মীয়ামদা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং পুন্না ইনমিন্ননবা এৱ্যারনেস তৌখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হৈবোংপোকপিদা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : কোলিসন অগেষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না হৌজিক-হৌজিক পেন্দেমিক ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি লমদম অসিদসু ট্রবেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া অমা পোজিটিভ ওইরকপদগী কম্যুনি স্প্রেদ তৌরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মরক্তা মীপাইবগী চাং হেনগৎলক্তুনা লন্বী সম্বল খাজিন্নরকপা, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবা মতুংদা হোম ক্বারন্টিন তৌজরিবা মীওইশিং অদুগা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা মশাগী মথৌ তৌরুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা লৈকাইগী মীয়াম্না লৈকাইদা চঙহন্দবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎলক্তবা থৌওং কয়া এৱ্যেরনেস পীদুনা ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা চথরকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৮দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈবোংপোকপি ময়াই লৈকাই দেবী মান্দোপতা নুপী খুন্নাই এসোসিএসন হৈবোংপোকপী অমসুং কাদা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমানা অমসুং নুপী খুন্নাই এসোসিএসনগী সেক্রেটরি থৌদাম ওংবী ইবেচোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী ৱাঙাঙলোই ওইনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীৎচন্দ্র মঙাংসু শরুক য়াখি।

ৱাঙাঙলোয় ওইনা শরুক য়াখিবা গীৎচন্দ্র মঙাংনা হায়খিবদা, হৌজিক মালেমগী মফম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মীওই অমদগী অমদা য়াম্না থুনা শন্দোকনবা লাইচৎ অমনি অদুবু শিগনবা লায়না মখল অমদি নত্তে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাংশিং মপুং ফানা লৌখত্তবা তারবদি য়ুমথোং খুদিংদা পাক-শন্না নারক্তুনা কন্ত্রোল তৌবা ঙম্বগী চাং লানখিদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং মপুং ফানা ঙাক্লা চৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। য়ুমদগী মপান থোক্তবা, করিগুম্বা চৎথোকপা তারবসু ফেস মাস্ক উপ্লিগদবনি। অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনা ফেস মাস্ক উপ্লবসু খদাং মখাদা চিংথরগা উপ্পা অদুগা করিগুম্বা লন্বীদা পুলিস থেংনবা মতম খক্তদা ফেস মাস্ক চিংখৎপা থেংনৈ। মসি শুংতৌ তৌবিরোইদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, য়ুমদা ঐখোয়না শীজিন্নবা সাপোন মখল অমা হেক্তা নৎত্রগা অলকোলগী চাং ৭০% দগী তাদনা য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবগা লোয়ননা খুৎ-শা তোয়না হামদোকপগী হৈনবী থমসি। করিগুম্বা তঙাই ফদনা মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবা তারবসু মীওই অমগা অমগগী মরক্তা মিটর ২ দগী তাদনা অরাপ্পা থমগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চপ-চাবা ভেক্সিন পুথোকপা লৈত্রিবনা হায়রিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মপুং ফানা ঙাক্লা চৎপা হায়বসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্বৈনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাঙথোকখিবা এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি অমসুং ফেস মাস্ক করম্না উপকনি হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মীওই ১২৮ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা দ্রাইভ চথরকপগা লোয়ননা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মনুংদা য়ুমদগী থোরকপা মীওইশিংনা ফেস মাস্ক উপ্তবা, মীরক্তা দিষ্টেন্সিং থমদবা মীওই ১২৮ রোম ফারগা ফাইন থিহনখ্রে।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা ফেস মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই পুন্না ১২৮ রোম ফাগৎলবা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা ফাইন ওইনা লুপা ১৬,৩৬০ রোম থিহল্লগা থাদোকখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক চথরক্লগদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱা থন্নক্লি।

থৌরি য়ান্দুনা শিরগ্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুরগী লমকাতুং সিমিত্রিগী জোমি কোলোনিদা চহী ৭০ রোম শুরবা অহল অমা উপান্বী অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা লৈরল্লে হায়রি।

ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুরগী লমকাতুং সিমিত্রিগী জোমি কোলোনিদা শিরগা লৈরল্লিবা নুপা অদুগী মমিং এল দোংজথাং (৭০) অপোকপা থাথাং লাঙেল কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী মুঅলভেং খুন্দা লৈবনি হায়রি।

মণিপুরগী লিলোং অমসুং ৱাংজিং তেন্থা এ সী...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎশিং লাউথোকপসিগা ইরোইননা মসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনবা হৌরগনি হায়রি। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অসি ঈ সী আইনা হৌখিবা জুন ২৯, ২০১৭তা পার্সিএল মোদিফিকেসন তৌদুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ৪৩৭/৬/১ এন এস টি/২০১৬/সী সী এসনা ফোঙদোকখিবশিং অদুখক নত্তনা অতৈ পুম্নমক চৎনরগনি হায়রি।

বিহারগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১ অমসুং ষ্টেট খরগী এসেমব্লি অসি ৫৬কী বাই ইলেক্সননগী মতম লাউথোকপসিদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ঈ সী আইনা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা সিট ৬৫গী মনুংদা মণিপুরগী এ সী ৫দি 'ক্লিয়র ভেকেন্সি' ওইরিবসিগী মনুংদা য়াওরে ফোঙদোকখ্রগা ঙসি লাউথোরকপদনা লিলোং অমসুং ৱাংজিং তেন্থাখক্তমক য়াওরকপগী মতাংদা ভেটরান পোলিটিসিয়ন ও জয়, য়ুমখাম ইরাবোৎ, পোলিটিকেল এনালিষ্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্র অমসুং লিগেল প্রাক্টিস্নর অমনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরকখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী লো মিনিষ্টরসু ওইরমখিবা ওক্রম জয়না ফোঙদোরকপদা ঈ সী আইনা মাঙজেন্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা চুনদবা মওংদা মণিপুরগী বাই ইলেক্সনশিং পাঙথোকফম থোক্লবা সিটশিংগী মনুংদগী সিট অনীখক্তগী মতম লেপ্পকপসি লৈঙাকসিনা কম্মিসন্দা অশেংবা রিপোর্ট মতম চানা পীহৌদবদগী ওইগনি খল্লি হায়রি।

মহাক্লা হায়বদা, বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লমদাইদা লিগেল ষ্টেটস, লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম্নচিংবগী মতাংদা ষ্টেটকী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) অমসুং লো সেক্রেটেরিনচিংবনা মরীক চুম্বা অচুম্বা রিপোর্টশিং পীহৌগদবনি। মদুগী মতুংইন্না ঈ সী আইনা লেপচগদবনি। অদুবু তৌরক্লিবা থৌওংসিদি মফম মরাং খঙদবা লৈঙাক অমা ওইবগী মমি তাবদৌনা তৌই হায়রি। মণিপুরগী ক্লিয়র ভেকেন্সি ৫ লৈরে হায়রম্নগা ২ খক্তগী মতম লেপ্পকপসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী ওইগদ্রা হংবদদি ওইরোই, পেন্দেমিক মায়োক্লরবসু বাই ইলেক্সনশিং অসি পাঙথোক্লনবা মতম লেপ্পক্লবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ভেটরান পোলিটিসিয়ন অমা ওইরবা য়ুমখাম ইরাবোৎকা শানখিবা ৱারীদনা ঈ সী আইদি অচুম্বা অশেংবা তৌবনি। মণিপুরগী সিট অনীখক্তগী লাউথোরক্লিবসি অতৈদুগীদি দিস্পোজ তৌগদবা ৱাৎলিবা কেসশিং লৈরমগনি হায়রকখি।

শক্লাইরবা পোলিটিকেল এনালিষ্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবনা, মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক মনুংদা ইলেক্সন তৌবীগনু হায়রিবনি। লৈঙাক্লা য়ৈথোকপীনবা হোৎনবীয়ু হায়জরিবনি। মসি তাবীদদনা লৈঙাক্লা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরি। ঈ সী আইনা থোক্লিবা নোটিফিকেসন অসিদা পেন্দেমিক্কী মতাংদসু মরীক চুম্না পল্লক্লি। কম্মিসননা ক্লিয়র ভেকেন্সি লৈরবসু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা শুনা মীখল পাঙথোকপগী মহুত্তা এ সী অহুম তোক্লক্লিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা ঙসিগী নোটিফিকেসন অসিগী মতাংদা লিগেল প্রাক্টিস্নর অমগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা হায়, ঈ সী আইনা ক্লিয়র ভেকেন্সিদা সিট ৫ লৈরে হায়দোক্লরবসু ক্লিয়র ভেকেন্সিশিং অসিগী মনুংদা লো কোর্টতা পেন্দিং লৈবা কেসশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অমুক থানরমগনি। অদুনা কেসশিং অসিগী ফাইনেল দিস্পোজেল তৌদ্রিবনা ঈ সী আইনা ক্লিয়র ভেকেন্সিনি হায়রিবশিং অদুগী ফাউবা শুনা লাউথোরক্তবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) : দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নশা মুক্ত ভারত কেম্পেন কম্মিটি থৌবাল অমদি সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোককা খুৎশম্নদুনা অলকোহোল এব্যুজ এন্দ সবসটেন্স হায়না ঠিমদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেলগী ওইবা এৱ্যারনেসকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এন এম পি সী সী থৌবালগী মেম্বর সেক্রেটরি এ কমলেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা রিসোর্স পর্সন অমা ওইনা শরুক য়াখিবা কামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রগ এদিক্লা খুন্নাইদা শোকহল্লকপা অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা থেংনরিবা অৱাবশিং খঙনা চৎপা মথৌ তাই। মরমদি দ্রগ এদিকশিংনা মতৌ করম্না পুন্সি হিংই হায়বা মহাক্লা ময়েক শেংনা খঙই হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌবাল এদিসনেল এস পিনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিস দিপার্টমেন্ট অমদি মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা দ্রগকী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা চৎলবদি অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা দ্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনবগীদমক মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা পুলিসতা কোওপোরেসন পীবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনেল এস পি লক্ষ্যা শর্ম্মা, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর অমদি এন এম বি সী সীগী মেম্বর সেক্রেটরি এ কামেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নাশা মুক্ত ভারত কেম্পেন কম্মিটিগী মেম্বর য়ুম্নাম লক্ষমন, সোসল ৱেলফ্যের ক্লব খাঙবোক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট জিবননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬১না শরুক য়াদুনা কোভিদ-১৯ গী এস ও পিশিং ঙাক্লা থৌরম অদু পাঙথোকখি হায়রি।

কম্বাইন্দ টিম্না কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো অমদি ৩১শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা পি এল এগী কাদর অমা সেকমাইজিন থোং মনাক্তগী ফারে।

ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা কম্বাইন্দ টিমনা সেকমাইজিন থোং মনাক্তগী ফারবা পি এল এগী কাদর অদুগী মমিং ক্ষেত্রিময়ুম নিরজিৎ এলিয়জ সনায়াই (১৯) অপোকপা কে ঐচ পাপু কৌই। মহাক ককচীং খুল্লেন খোং মখা লৈকায়দা লৈবনি। মহাক কুমজা ২০১৯গী জুন থাদা পি এল এদা য়াওখিবনি হায়রি।

কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা পি এল এগী কাদর অদু মখা তাবা ৱাহং পাউহং চথনবা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা অমুক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুম্বদা খুদক্তগী...

*লামায় ১গী মখা...*ওইবা, লায়না-লাইচৎ অসিগী চিংনবা লৈবা অমসুং ক্বারন্টিন তৌরগা লৈরিবা ভোটরশিংগীসু পোষ্টেল বেলোটকী খুখাংদা ভোট থাদবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ অমদি হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীসু লায়না-লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা এস ও পি কয়া লাউথোকপা লৈরিবনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হন্দক্কী পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা অথিংবা কয়া লৈগনি। হৌখিবা মতমশিংদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা মীরেপ ওইগদবশিংনা নোমিনেসন তৌবা লাকপা মতমদা মীরেপ অদুনা মহাক্কী প্রপোজর য়াওনা মীওই ৫ আর ওগী মনাক্তা চঙবগী অয়াবা পীরম্মী। অদুবু হন্দক্কী মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা নোমিনেসন তৌবদদি মীরেপ ওইগদৌরিবা অদুনা নোমিনেসন তৌবা লাকপদা মী ২ দগী হেন্না আর ওগী কাদা চঙবা য়াররোই। হান্না গাড়ী ৪ লাকপা য়ারম্বা অদুসু ২ দগী হেন্না য়াররোই। মসিগীসু মথক্তা মীরেপশিংনা য়ুমথোঙ খুদিংদা মীখলগী কেম্প্যেন চৎপদা অককুবা মীশিং লৈরমদবা অদু হৌজিক্তি য়ুমথোঙ খুদিংগী এস্কোর্ট থাদনা মী ৫দগী হেন্না চৎপা য়াররোই। রোদ সো কেম্প্যেন চৎপসু য়াই। অদুবু রোদ সো কেম্প্যেন চৎপা মতমদা গাড়ী ৫/৫ খক চৎকদবনি। অদুগা অতোপ্পা রোদ সো কেম্প্যেন চৎপসু মিনিট ৩০/৩০ কান্নরগা চৎপা য়াগনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা পীরিবা পাউতাকশিং, এস ও পিশিং অমদি মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট অসি মীপুম খুদিংমক্লা ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম জি এন আর ঈ জি এস লান্না শীজিন্নবশিং...

লামায় ১গী মখা... নাষ্টাও মখা লৈকায়দগী এম দি ৱাহিদ অলি (৪৭) নি।

পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী কম্মিস্নর, থৌবাল অমসুং ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, ককচীংগী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর, মাইবম উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়েটকী পঞ্চায়েট সেক্রেটরি, জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, থৌবাল ব্রাঞ্চকী মেনেজর অমসুং কোন্না কোনশিল্লকখিবা এস পি (ভিজিলেন্স) নি।

মেটর অসি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা থাসিগী ১১দা মসিগী অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা ওর্দর অসি পীখিবনি।

কোর্টকী লমায় ১৪ পানবা ওর্দর অসিনা ফোঙদোকখিবশিংদা ৱাকৎলক্লিবা জোব কার্দ হোল্ডর ২৭৮৩গী মনুংদগী শুপ্পতগী ২৮ খক্তংগী লৌখৎলগা থিজিনবদা চিটিং, ক্রিমিনেল মিসকন্দক্ট, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসিগী প্রাইমা ফেসিশিং আর দি এন্দ পি আর লোইশঙগী ওফিসল/ওফিসর খরা, ইলেক্টেদ মেম্বরশিং, বিজিনেস করেসপোন্দেন্টশিং/সী এস পি অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা কম্মিট তৌরম্বা থেংনরবনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্বগী ওইনা স্কিম অসিগী ইমপ্লিমেন্টেসন্দা ইরিগ্যুলরিটিশিং খঙদোক্লবা এস পি (ভিজিলেন্স) তা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) গা তানরগা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা ওর্দর পীখ্রে।

লোয়ননা এস পি (ভিজিলেন্স) না এম জি এন আর ঈ জি এসপু লান্না শীজিন্নবগা মরী লৈনবা মচাক পুম্নমক খোমজিন্নবা অমসুং স্কিম অসিগী ইমপ্লিমেন্টেসনগা মরী লৈনবা ইরিগ্যুলরিটিশিংংগী রিপোর্ট অমা শেম্নবসু খঙহনখি। অদুগা স্কিম অসিবু লান্না শীজিন্নবা মীওইশিং ফারগা চৈরাক পীনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবসু খঙহনখি। হায়রিবা থবকশিং অসি ওর্দরসি ফংবা নুমিৎতগী থা ৬কী মনুংদা পাঙথোক্লবা দিরেক্সনসু পীখি।

পনবা য়াবদি, পি আই এল অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোনা মহাক্কী সবমিসন/আর্গ্যুমেন্টশিং তৌবদা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেল সয়েদ মুরতাজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌখি।

ইরাবত দেগী পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... চৎলগা অমত্তা ওইনা অনৌবা মণিপুর অমগীদমক ৱাশক লৌমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, আই পি আর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ও হেনরিনা থাদোরকখিবা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোলশিং অদুনা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওন লাকপা অসিদা অমত্তা ওইবা অনৌবা মণিপুর অমা পুরক্লনবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কিশোরচন্দ্র ৱাঙ্খেম পুলিসনা...

লামায় ১গী মখা... তৌরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না সেনাপতি পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন ১২৪এ/১৫৩এ/৫০৫ আই পি সী অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইব প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্ট, ১৯৮৯গী সেক্সন ৩ (১) (আর) গা মরী লৈননা মহাক ঙরাং ফাখিবনি। মহাক্লা থাসিগী ৩গী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা মারাম ত্রাইবকী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈশিং অপলোদ তৌরুবনি হায়রি।

কেস অসি পুলিসনা লৌখৎপদগী মহাক মসিদগী ইন্টরিম বেল লৌদুনা লাকপনি। অদুবু হায়রিবা বেল অসি ঙরাং রিজেক্ট তৌখিবগা পুলিসনা ফাজিনখিবনি। অদুগা ঙসি সেনাপতিগী স্পেসল জজ (এস সী এন্দ এস টি) গী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা মথং থাগী ৩ ফাওবা নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

ময়াং ইম্ফাল গেং রেপ অমসুং...

লামায় ১গী মখা... অদুগী মমিং এম দি মোহম্মদ এলিয়জ ফৈজ (১৮) কৌই। ময়াং ইম্ফাল হৈবোং মখোঙ মথক লৈকায়দগী এম দি অহম্মদ অলিগী মচানুপানি।

মহাক্লা ফাইল তৌরকখিবা কেস প্রেয়র হান্না লেপখিবা মতমদসু পাঙথোকখিদবদগী ঙসি অমুক হন্না হিয়ারিং পাঙথোক্লবা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা অনীরকশুবা ওইনা লেপখিবনি। অদুম ওইনমক থৌদোকসিগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) না মহাক্কী বেল ওবজেক্সন রিপোর্ট পীরক্তবদগী হিয়ারিং অসি মথং থাগী ৮দা পাঙথোক্লনবা লেপখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোকসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬ অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ৩০৭/৩২৫/৩০২গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৮ (৯) ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

নুপা ১ লৈখিদ্রে, মপান্দা চৎলুদবা...

লামায় ১গী মখা... আর দি ৱিংদা ২, তমেংলোংদা ৩০, কাংপোকপীদা ৫, তেংনৌপলদা ১০, থৌবালদা ৪৩, উখ্রুলদা ১, চান্দেলদা ৫, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৭, সমরিতন হোস্পিটালদা ১, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ১, সী এম সী হোস্পিটালদা ১ অমসুং ইম্ফাল হোস্পিটালদা ১ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৫৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪৩, তেংনৌপলদগী ৯, উখ্রুলদগী ১, তমেংলোংদগী ৪০, কাংপোকপীদগী ২, কামজোংদগী ৭, নোনেদগী ১৫, ককচিংদগী ২, জিরিবামদগী ৪, বিষ্ণুপুরদগী ২, সেনাপতিদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ২ অমসুং থৌবালদগী ৪৯ য়াওরি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা ককচিংদগী ১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩ পুন্না মীওই ৪ খক নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা মীওই ২২৭তি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেস ২৬৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১০,৭৪৬ শুরে। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকখিবা কেস মশিংনা ৮০৩৯ নি। ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৭৪.৮০ নি। অদুগা হৌজিক হৌজক কেস ২৬৪২না এক্টিভ ওইরি। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিং অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ৫৭ সু আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা মতম পুম্বদা লৌমীশিংদা...

লামায় ১গী মখা... কায়না পুথোকহন্ননবগীদমক য়েংশিন্ননবা তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিং শেমখ্রে। করিগুম্বা চীঙাক মখল খরা মরাং কায়না ষ্টেট অসিদগী পুথোকপা ঙল্লবদি মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা অসি লেপহনবা ঙমগনি।

শীং, কিহোম অমদি কমলাগী পোথোকশিং হৌখিবা চহী খরা অসিদা এক্সপোর্ট তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। পুম্নমক অসি লৌমীশিংনা কন্না হোৎনবদগীনি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম পুম্বদা লৌমীশিংদা পাংবা য়াবশিং পাংগনি। লৌমীশিংদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংননবগীদমক মিনিষ্টরশিংনসু লৌমীশিং অমদি মীয়ামগা হকথেংননা ৱারী-ৱাতাই শাবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট কোল্ড ষ্টোরেজশিং শাবগী থবক চথরি। নিলাকুথিগী ফুদ পার্কতা লৈবা কোল্ড ষ্টোরেজ ফেসিলিটিসসু অপগ্রেদ তৌননবা হোৎনরি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং (পি ঐচ ঈ) মিনিষ্টর এল দিখো, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেন, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ও হেনরি, ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এল রামেশ্বর, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱর্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরপার্সন হৈখাম দিঙ্গো, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎ, জিলা পরিষদ মেম্বর এল বোবি, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পি বাইফৈ অমসুং আই পি আরগী কম্মিস্নার এম জয়সু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সোসল মীদিয়াদা কারন তৌরুবা...

লামায় ১গী মখা... মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ১০নিগী রিমান্দ লৌখ্রে।

মহাক্লা তৌরুবা কারন অসিগী মায়োক্তা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) জোরিশাং থিয়েক পাঙ্গোটেনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না থাসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসিগী এফ আই আর নম্বরনা ১৭১ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪১৯/৪৬৮/৩৪ আই পি সীনি। রাইফলমেন অসিনা অপলোদ তৌরকপা অরানবা ওর্দর অদুনা থাসিগী ২৬কী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদাা থেংনরকখিবনি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা ফারবা মহাক ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ঙসিদগীনা মথং থাগী ৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

রাইফলমেন অসি হৌজিক অহানবা মণিপুর রাইফলস কেম্পসতা লৈবা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) দা কম্প্যুটর ওপরেটর ওইনা এটেচ তৌদুনা লৈবনি হায়রি।